ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, নবেম্বর ৩০, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৪৩শুবা মশীং

# অপূনবগী শক্তম কায়হন্দবা

## কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা পূক্নিংগী অচেৎপা মরী থম্নবগী তঙাইফদবা লৈ

তোঙান-তোঙানবা লাইনিং চৎপা, শক-চু মান্নদবা, ৱাখল্লোন খেন্নবা মীওইশিং লৈবাক অমত্তদা পুন্না খুন্দামিন্নবা ঙম্লিবসি নুংশিনবা অমসুং থাজনবা হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগনি। অপূনবগী শক্তম ঙাকপা হায়বসিনা মীচম-মীয়ামগী রাইট ঙাকপা ঙম্লিবনি। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমক থোং মান্ননা হিংহনবগা লোয়ননা লৈবাক মরা তপহন্নবগীদমক অপূনবগী শক্তম শাগৎপা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি। লোল মান্নদবা, লাইনিং খেন্নবা অমসুং শক-চু খেন্নবা মীওই কয়া লৈবাক অমদা পুন্না খুন্দামিন্নবগী ময়েক লারবা খুদম ইন্দিয়ানা ওইরি। পুৱারীগী লামায় ফাকৎতুনা য়েংলুবদা কাঙলুপ মশেল পুকচেল-খোয়জেল তীন্নরক্তবদগী লৈবাক মাঙ-তাক্লবগী মরম ওইরকখিবগী তাঙ্কক কয়া ময়েক শেংনা লৈরি। কাঙলুপ মশেল উংখৎনরকপদগী য়েক্লবনা খুদোংচাবা লৌখিদুনা ঈকায় ফীরুক খুম্নবগী মরম ওইরকখিবসু য়াওদবা নত্তে। লৈঙাকপশিংনা মীচম-মীয়াম্বু পুকচেল খোয়জেল তিন্নহনবা ঙমদবদগী মুঘল লান্মীশিংনা ইন্দিয়াবু ইরায় লায়না খুদুম চনবা ঙমখিবনি। ইরৈবাক মণিপুরদসু অদু মঙায়রে, নিংথৌকোলদা মচীন-মনাও ৱাখল্লোন মান্নরক্তবগী খুদোংচাবা লৌরগা মতম অমদা বৃটিশনা খুদুম চনবা ঙমখিবনি হায়বা য়াই। কুমজা ১৯৪৯ দা ইন্দিয়ানা নীংতম্লবা মতুংদা কাঙলুপ নাইবগী ৱাখলনা মরম ওইরগা পাকিস্থান খাইদোকখি। মতুং তারকপদা অমুক পাকিস্থান্দগী বাংলাদেশ খাইদোরকখিবনি। তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপ কয়া চহীচা কয়াগী মমাঙদগী খুন্দামিন্নরক্লবসু লোল য়াম্না ঙাঙবা লৈবাক অসিদা অখন্নবা লোল অমখক ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহনবনা মরম ওইরগা অতৈ লোল ঙাঙবা মীওইশিংগী পূক্নিং শোকহনবগী ফীভমদা লৈরি। লাইনিং, চৎনবী, নাৎ, লোল অমসুং কাঙলুপ খেন্নবগী ৱাখল্লোন থাদোক্লগা লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম শাগৎপা হায়বসিনা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ পুম্নমক্কী য়াইফবা ওইগদৌরিবনি হায়বসি পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি।

কাঙলুপ মশেল নুংশিননা লৈমিন্নরবদি লৈবাক মরা তপ্না পান্দুনা শেন্মীৎলোন চাউখৎলকই। লৈবাক্কী মতিক ময়াই হেনগৎলকপা মরম্না য়েক্লবনা মীৎয়েং কারল চল্লকপা ঙমদে। তৌবগীবুদি কাঙলুপ মশেল নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবগী ময়েক শেংলবা খুদম কয়াসু লৈতবা নত্তে। খরদং পল্লবদা উত্তর প্রদেশকী সিতাপুরদা লৈবা অমোৎ অকায় লংথোকফম ওইবা কাথিনা কৌবা তুরেল অমা মনাক নক্লা খুন্দাবা হিন্দু, মুস্লিম অমসুং সিখ ফুরুপকী মীওইশিং খুৎশম্নরগা শেংদোকখি। ঝরখন্দগী ধনবাদ দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা অপীকপা খুঙ্গং অমদসু মুস্লিমশিংনা হিন্দুগী লাইশঙদা কৎনবা লৈ কয়া থাবগা লোয়ননা পরেং লেংলি। উত্তর প্রদেশকী ভমৱরা খুঙ্গংদসু মুস্লিমশিংনা হিন্দুগী লাইশঙ ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌরি অমসুং সান্ট কবির নগর দিষ্ট্রিক্তা হিন্দুশিংনা লম কৎথোক্লগা মুস্লিমগী মোস্ক অমা শাহনখি। পঞ্জাবকী বর্নালা দিষ্ট্রিক্তনা হিন্দুশিংনা লম পুথোক্লগা সিখশিংনা অচঙবা শেল পুথোক্তুনা মুস্লিমগী মোস্ক অমা শাখি। মণিপুরদসু নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী কাঙলুপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকখি। লাইবক থীবা পুৱারীগী তাঙ্কক অমদা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা পামদবা থৌদোক খরা থোকখিবগা লোয়ননা হৌজিকসু হেক হেক উংখৎনবগী থৌদোক থোক্তবদি নত্তে। কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা য়েংথিনবা থম্বা মতমদা মাঙজগদৌরিবসি লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা মীওই পুম্নমক্তনি। অরৈ-লৈতা তাথোক তাশিন তৌদুনা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবদা কান্নবা ফংগদৌরিবসিসু কাঙলুপ পুম্নমক্তনি। মরম অসিনা থবক খূদিংমক্তা ঐখোয়গী হায়বা ৱাখল অসিনা মাঙ থারগা থবক তৌবা চুমগনি। ঐখোয়গী হায়বা ৱাহৈ অসিগী তুংওইনরগা ঐ হায়বসিনা চৎনহন্নিংই। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপচা খূদিংমক্লা অমত্তা ওইবগী ৱাখলদা মাঙ থাদুনা থবক তৌরগা ঐগী ঐগী ফুরুপকী ৱাফমনা তুংদা লাকহন্নিংই। লৈঙাক্লসু মীয়াম্নসু হীরমসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। খুন্নাই অসিবু মাঙলোমদা চঙশিনবদা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা পূক্নিংগী অচেৎপা মরী থম্নবগী তঙাইফদবসু লৈরি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬

১) ডা. কমলগী 'মাধবী (১৯৩০) নোবেল পুথোকখিবগী মতুং ইকুই কুইদনা মণিপুরগী নিংথৌগী মচিন মনাওশিংগী মরক্তা থোকপা খৎনবদা য়ুম্ফম ওইবা হিষ্টরিকেল নোবেলনি হায়নবা অমা লাল মমাঙদা পুথোরকই। মণিপুরী সাহিত্যদা য়াম্না শোন্নরিবা নোবেল অসিগী মমিং করিনো, কনানা ইবনো?

২) 'ঙাওচৎনরবা লাইপোক' হায়বসি মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী মমিংনি। লাইরিক অসি কনানা করি লোলদা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) 'ঐগী ৱারেং' হায়বা ৱারেং লাইরিকসি মপূং ওইনা করি হীরমদা নৈনবনো অমসুং অইবসি কনানো?

৪) 'করম্বা যুগকী কাউখ্রবা অহিংদা/মঙখিবা মঙগী মমিনো?'' হায়বসি য়াম্না পাম্নবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসি লিরিসিষ্ট অসিগী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে?

৫) 'অৱাং কৌব্রু চীংলৈশং পামেল থক্ত ওংব-লৈ, লৈরাং শাৱোং হায়রগা তাওবা হুইমৈ মানবা লৈ, নৌৱা খূত্তা পায়রোনে হায়বদুনা পীবদগী খোরিফাবা কপ্পা তোক্তুনা লৈরাং মাবু পায়রগা খেক্লা-খেক্লা নোকখরে।'' লৈরাং অসিগী কোলোই মমিং করিনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## কাঙলোন চুম্না লীদুনা ফৌ মাঙবদগী কল্লসি

- এস সুমঙ্গল -

মণিপুরগী মরু ওইবা চিঙ্গাকসু-পোখোকসু ওইরিবা লৌউ পোখোকসি ফৌনি হায়বদা লাল্লোই। পোইনু থা লোইশিল্লকপদা ফৌ লোকপীরিবশিংনা পায়খৎকদবা য়াম্না মরু ওইবা থৌরম অমা হায়বা তারগদি লোক্লিবা ফৌশিং অদু চহী অমগী চাননবা নৎত্রগা অতোপ্পা মওংদা শীজিন্ননবা মতম শাংনা নৎত্রগা তেন্না লীদুনা থম্বা হায়বসিনি। লীদুনা থম্বা মতমদা অমাঙ অতা কয়া অমা থোকপগী খুদোং থীবা কয়া অমা লৈ। থা ৪-৫ মতম, শেল অমদি পাঙ্গল চঙনা হোৎনদুনা লোক্লবা ফৌ অদু মাঙদনবা হোৎনবা হায়বসি ফৌ লোক্লিবা অমদি থল্লিবা মীপূম খুদিংমক্লা তৌফম থোকই।

পাউদম খরগী মতুংইন্না লোক্লবা মতুংদা সিরেল ওইবা মরূ মরাংশিংগী (ফৌ, গেহু, চুজাক্লচিংবা) মাঙবগী চাংসি চাদা ৫০-৬০ ফাওবনি হায়না থম্মী। কয়া য়ামখ্রবনো/অদুবু কাঙলোন চুম্না লীরগদি মসি চাদা ১-২দা হন্থহনবসু য়াই হায়রি। ফৌগী ওইনা মাঙবগী চাং অসি চাদা ৩৩.৯২-৪০.৯৯ ওই হায়না পানৈ। মসিগী অপূনবা অমাঙবগী চাদা ৩০-৪০দি তীলনা থোকহনবনি হায়রি।

হন্দক্কী চহীসিদি ফৌগী অফবা কুম হায়বদুদি ওইখিদ্রে হায়বা য়াই। নোং মতম চানা চুখদবনা লৌউ শিংউ তৌরিবা খুদিংমক্তা অকায়বা পীরে। থেংলবা মতমদা নোং খরা চুবসিনা লোকপা য়ারবা লৌফমশিংদা অকায়বা অমুক পীরে। শাৎকদবগী মতম ঙাইদুনা লৈরম্বা খরা মখৈদি শাৎপা ঙমখিগদ্রা অদুবু ঈংবনা হানজিল্লক্তুনা শাৎপা ঙমলরোইদ্রা হায়বদুসু চিংনদবা নত্তে। ফৌ মুল্লমদাই য়ৌরবা মপূং ফানদি মুন্দ্রিবা খরদনা নেক ব্লাষ্ট তাদুনা ফৌহাম শাৎপা কয়া অমসু অমুক থেংনররে। অমাঙবগী অমাঙবা ঙাক্তনি। হৌজিক অমুক লোক্লবা মতুংদা কোটতা মাঙবদগী কন্নবা হোৎনরসি। লোক্কদৌরিবা ফৌ খরা অদুদি কাঙলোন চুম্না লোক্তুনা অমদি লীবা মতমদা অমুক মাঙখিদনবা হোৎনবা তঙাইফদে খল্লি। মরম অসিনা ফৌ লোকপদগী হৌদুনা মতম খরা শাংনা লীবদা অমাঙ অতা থোক্তনবা ৱাফম খরা খঙজিনমিননবা তাঞ্জা লৌজরি।

**ফৌ লীবদা মাঙবগী মওং :** তশেংনা হায়রবদা চহী অমদা কোত্তা লীদুনা থম্বা ফৌ-চেঙদা লায়না তীলনা কয়া অমনা মাঙহনবগী চাং অসি য়াম্না ৱাংই, ১৫-২০%, হায়বদি ফৌবোৎ ১০০ লীবদা ফৌবোৎ ১৫-২০ মাঙবা য়াই হায়বনি। হায়রিবা মাঙবগী চাং অসি কনানসু থৌশাদবগুম তৌই। মরমদি মাঙলিবা শরুক অদু তশেংনা ওন্দুনা য়েংবদা, ফৌজুম্না চাদনা কয়া য়াম্নবু মাঙগদগে হায়দুনা থৌশাদবা অসিনচিংবা কয়াদগীনি হায়বা য়াই। কনানসু অসুক য়াম্না মাঙলমগনি হায়বসি থাজদে।

মতাং অসিদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম অমনা, লায়না তীলনানা মাঙহনবদগী উচিনা মাঙহনবনা অমুকসু শরুক কয়া অমা হেল্লি হায়বসিনি। নোংমদা উচি অমনা ফৌ নৎত্রগা অতৈ মরূ মরাং কিলো ৬ তুপ্তুনা চাথোকপা ঙম্মী।

কোটতা লীদুনা থম্বা ফৌ মাঙই হায়বগী ময়েক লারবা খুদমদি - কোটতা পৈরিবা ফৌগী ময়েং তারকপা, কোটতগী ফৌদিগী ওইনা পেক্তুনা য়েংবা মতমদা অয়াম্বনা ফৌহাম ওইরম্বা, কোটতা লীবা ফৌ মিলদা তকপদা চেঙ তোইবা, চেঙগী মচু ওনবা, খোকনম নম্বা অমদি হান্না নৌরিঙৈ মতমদা থোক্লম্বা চেঙথোক্তগী চেঙথোক হন্থরকপা অসিনচিংবা অসি হায়বা তাই। মণিপুরগী ওইনা হায়রবদা অপূনবা লোক্লিবা ফৌগী চাদা ১৫-২০ মাঙখ্রবদি কয়াদা মাঙজবনো? ফৌ চেঙ মাঙবতা নত্তনা হকচাং মাঙনীংঙাই ওইবা কয়া অমসু অমুক লৈরিবনি। মসিগী খুদম অমা হায়বা তারগদি মচু ওল্লবা হায়বদি নাপু নৎত্রগা ঙাংলৈনবা মচু ওল্লবা চেঙদা carcinogenic হায়বদি কেন্সর ওইরক্লবা মচাক য়াওই হায়বা অমসু লৈ হায়বসিনি। মরমশিং অসি লৈবনা করম্না কোটতা ফৌ লীগদগে হায়বগী মরমদা চেকশিন ৱা খরা খঙজিনবা কান্নগনি খল্লি।

**করম্না লায়না তীলনা চঙলকই :** করম্না কোটতা পৈরিবা ফৌশিংদা লায়না তীলনানা অমাঙ-অতা থোকহল্লিবনো হায়বদু খরা খঙজিনবা কান্নগনি খল্লি।

১) ফৌদা নত্তনা অতৈ মরূ মরাং আলু, হৱাই, চেঙৱাই কয়া অসিনা লৌবুক্তা লৈরিঙৈ মতমদগী তীলশিংগী মরূম অমদি তীল য়াওরবা মহুমশিং য়াওরক্তুনা লীরবা মতমদা অমাঙ অতা কয়া থোকহল্লি।

২) মহৈ মরোংশিং লোকপদা শীজিন্নবা খূৎশু খূৎলায় অমদি বোরানচিংবদা পল্লকপা লায়না তীলনাদগী শন্দোরকপা য়াওই।

৩) মমাঙ চহীদগী হান্না কোটতা লৈরম্বা লায়না তীলনাগী মরূম অমদি মচানচিংবদগী শন্দারকপা অমসুং ৪) লীরবা মতুংদা অকোয়বদা লৈরম্বা তীল মপী, কোকফাই শুজাগী মরূমদগী শন্দোরকপা অসিনি হায়বা য়াই।

লায়না তীলনা শন্দোরকপগী মরমশিং অসি খঙলবদি করম্না চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎকনি হায়বদু খরা মখৈদি খঙবা য়ারে।

**কোট শাবা :** কোটতা লীবা মতমদা চেকশিন থৌরাং খরা মওং চুম্না হোৎনহৌরবদি অমাঙ অতা থোক্কদবা কয়া অমদগী কনবা ঙমগনি। কোট অসি য়ুমদগী লাপথোক্লা, নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংবা মফমদা, মখোঙগী শরুক্লা লৈমায়দগী য়ামদ্রবদা ফুট মরিমুক ৱাংবা ওইহল্লগা মদুগী মথক্তা ফম্পাক শারবা অদুগা ফম্পাক্কী অকোয়বা অদুনা কোটকী কাগী অকোয়বা অদুদগী ইকোয় কোয়না ফুট ১.৫-২গী চাংদা হেন্দোক্লা থল্লবা মতুংদা ফৌ থম্নবা কা অদু শাবনা খ্বাইদগী ফৈ হায়জনীংই। কোটকী থোঙ-থোঙনাও নিংথিনা পানগনি। য়ারিবমখৈ য়ুম মনুংদা কোট শাদবনা ফৈ। অহাংবা লম য়েংদুনা উ-ৱাগা শম্নদবা হায়বদি উ-ৱাগী মনা অমদি মসা মরেংনা লাম্বা ফংলোইদবা মফমদা কোট শারবদি খ্বাইদগী ফরে। কোটতা কাথোক কাশিন তৌননবা কৈরাক নৎত্রগা শিড়ি অদু থাংদোক থাংজিন য়াবা মওংদা শাবীগনি। ফম্পাক হাহৌদ্রগনা কোটকী মখোঙশিং অদু উচি কাবা ঙমদনবা করিগুম্বা পোৎলম, খুদম ওইনা এলুমিনিয়ম মপাক্তুম্বা অমনা মখাদা ওন্থবা মওংদা শেরৈ শানা কোয়শিল্লবদি উচিনা কাবা ঙল্লোই।

**চেকশিন ৱা খরা :** ফৌ হাপতোক হাপচিন তৌগদবা বোরাশিং অহনবা (অনৌবা) ওইনা শীজিন্নবা নৎত্রগা malathion হায়রিবা হীদাক অসিগী চাদা ৫০ মপাঙ্গন লৈবা মহী ওইনা লাকপদু খল্লগা মিলিলিটর ২৫ ঈশিং লিটর ৫গী চাংদা য়াল্লগা বোরাশিং অদু মিনিট ১০ লুপ্লগা কংহল্লবা মতুংদা শীজিন্নবা ফৈ। অরিবা কোটতা হান্না লৈরম্বা অরিবা ফৌশিং শেংনা লৌথোক্তুনা তোঙান্না থম্বীগনি। কোটকী ফক্লাংশিং অমোৎ অকায় ফত্ত হৌদি শেংনা শেংদোক্লবা অমদি অহো-অরাক খুদিংমক মেল্লবা মতুংদা ষষ্থি লৈঙোইনা ৱাই নিংথিনা তৈথোকপা কান্নগনি। কোটকী মনুং মপান অনীমক শুনু হাইদোকপা য়াম্না ফৈ। কোটকী মনুং অমদি অকোয়বদা malathion ৫০% নৎত্রগা dichlorvos 76% wsc মিলিলিটর ২৫ ঈশিং লিটর ৫গী চাংদা য়াল্লগা কাপথোকপীগনি। কোটতা ফৌ হৈজিল্লমদাইদা কংনা ফৌবা হায়বসিসু য়াম্না মরুওই। মরূ-মরাং লীবদা খ্বাইদগী মরুওইবসি ঈনিল অমসুং মৈশা অনী অসিনি। কংনা ফৌবা অমসুং অইংবা মফম হায়য়বসি কুইনা লীবগী য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়বনি। য়াম্না কংলবা ফৌদা লায়না তীলনা চঙবা পাক ঙমদে। কৈদৌনুংদা অরিবগা অনৌবগা য়ানশিন্নরোইদবনি। ফৌ হৈবা মতমদা উরুমদা নিংথিনা কংহল্লবা নোংবাল্লে মনা খরা খরা মরোল নাইনা চাইথোক্লগা ফৌ মরোল মরোল হৈজিনবা কান্নগনি। করিগুম্বদা কোটতা লীরবা মতুংদা ফৌজুম লৈবগী খুদম ফংলগদি ফৌশিংদু বোরানা শিন থুংনা কুপশিল্লগা কোটকী ফক্লাং অমদি বোরা মথক্তা মনিল ওইনা চৎপা পম্প শীজিন্নদুনা dichlorvos হায়রিবা মথক্তা থমজখিবা হীদাক অসি বোরা মথক্তা পঞ্জখিবা চাংদা কাপথোকপা ফৈ। হায়রিবা থৌওং অসি অনীরক অহুম্লক পাঙথোকপা য়াই। মসি ফৌজুম মপি খরা হেক উরকপগা পাঙথোকপীগনি। অতোপ্পা শীজিন্নবা য়াবা খরগা পঞ্জবা তারগদি উরিকশিবী মনা, নীম মনা, শৈজ্রাক মনা, খোইজু লৈখাম, হৈখাগোক মনা, তুলসি মনা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা তিননা কূপ্পা কোটতা তিন মনাদগী লিক্লা তাশিন্দুনা ফৌমাই থংবা শরুক্তা চোৎশিনবা থেংনৈ। মসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ অমা হায়বা তারগদি কোটনুংদা নুমিদাংগী মতমদা ৱাট্ট ২০০গী বল্ব অমা থানবা ফৈ। মসিনা কোকফাই শুজা কাশিনবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

**ফৌগীদমক লীবা :** মথক্কী ৱাফমশিং অসিদি চাননবা কোটতা লীবগী ৱাফমনি। ফৌগীদমক ফৌ লীবিবা তারগদি ফৌশিং অদু নিংথিনা খপতোক্তুনা নাপী মরূ, ফৌহাম অমদি অতৈ অমোৎ অকায়শিং শেংদোক্লবা মতুংদা তোঙান্না অনৌবা বোরা নৎত্রগা প্লাষ্টিক্কী খাও শীজিন্নদুনা থম্বীগনি। মসিদদি রসায়নগী তীল হীদাক malathion 5% wp powder নৎত্রগা fenvelerate 0.4% dp অমসুং লায়নাগী হীদাক carbendazimga mancojeb কা পূন্না য়াল্লগা শেম্লকপা হীদাক নৎত্রগা carbendazim 50% wp হায়রিবা তীলনা অমদি লায়নাগী হীদাকশিং অসি গ্রাম ২৫০-২৫০ পূন্না ফৌ কিলো ১০০গী চাংদা নিংথিনা চাং মান্ননা তোৎশিন্নরগা থল্লবদি লায়না তীলনা চঙবা ঙল্লোই।

মথক্তা থমজরিবা ৱাফম খরা অসি নিংথিনা পাঙথোক্লবদি কোটতা লীদুনা থল্লিবা ফৌশিং মাঙই খঙদনা মাঙলিবশিং অসিদগী ফনা য়াম্না কন্দুনা মীয়ামগী কান্নবা ওইগনি খল্লি। লোয়ননা শেন্দোংসু লৈগনি খল্লি। ●

## ঙাগী পোৎথোক হেনগৎনবগীদমক ঙা য়োক্লরম্বা পুখ্রিশিং শেমজিনবা

ডোঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ

**পুখ্রি শেমজিনবা তঙাইফদবগী মরম :** ইন্দিয়াগী লৈবাক্কী অৱাং নোংপোক থংবা মফমশিংদা লৈরিবা পুখ্রি অয়াম্বনা লৈবাক্তা লুথনা তৌথদুনা শেম্বা পুখ্রিনি। হায়রিবা পুখ্রিশিং অসি ঈশিং থাদোক-থাজিন তৌবদা খুদোংচাদবদা নত্তনা লৈপল ফজনা শেমদবগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্নে। চীংখোঙদা লৈবা পুখ্রি কয়াসু লৈরি। মথক্তা পনখ্রিবা পুখ্রিশিং অসিদা মচীঞ্জাক কয়া পীজবা অমদি নোংগী ঈশিংনা চেন্থরকপা লৈবাক লৈহাও কয়ানা পুখ্রিবু থেনগৎহনবা অমদি পুখ্রিগী লৈখাদা অথাবা লৈরোল অমা শেমদুনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নে। অসুম্না ওর্গানিক মেটর কয়া অমদি ইনওর্গানিক ওইবা পোৎশক কয়া লৈশিল্লকপনা মরম ওইদুনা অমদি লৈহাও কয়া থাদোরকপদা তপথরকপনা মরম ওইদুনা প্রাইমরি প্রদক্সন হন্থহন্দুনা ঙাগী ঙাথোক হন্থহল্লকই। মসিদসু নত্তনা মহু চেনবা নুংশিৎ কয়াসু থাদোরকই অমদি ঈশিংদা য়াওগদবা ওক্সিজেনগী চাং হন্থরক্তুনা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্নে। মরমশিং অসি লৈবনা ঙা য়োক্লবা চহী মরিদগী তরুক ফাওবগী মনুংদা পুখ্রিশিং শেমজিনবা অমদি লৈপলশিং থোনজিনবা মথৌ তাই। পুখ্রিগী মখা থংবা লৈমায়শিং কোৎথোক্তুনা পুখ্রিবু লৈহাও লৈহন্নবা হোৎনবীবসু মথৌ তাই।

**করম্বা মতমদা পুখ্রি শেমজিনগনি :**

কালেনগী মতমদা পুখ্রি মপুং ফানা কংহনবা য়াবা অমদি পুখ্রিগী অকোইবদা লৈবা ঈশিং কংবা মরম্না পুখ্রি শেমজিনবগী থবকসি কালেনথাদা তৌবনা হেন্না খুদোং চাই। পুখ্রি ফজনা কংদবা মতমদা পুখ্রিগী লৈমায় কোৎথোক্লবদি শেল য়াম্না চঙবা, খূৎশুমন অমদি মী মশীং য়াম্না চঙবগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লগনি।

**পুখ্রি শেমজিনবা মতমদা পাঙথোক্কদবা থৌওংশিং :**

**১. ঈশিং থাদোকপা/ চিংথোকপা :** ঈশিং থাদোকপা য়াবা মফমদা লৈবা পুখ্রি ওইরবদি লৈপল খরা তৌথোক্তুনা ঈশিং থাদোক্তুনা পুখ্রিগী লৈমায় অদু মপুং ফানা কংহনগদবনি। করিগুম্বা ঈশিং চিথোকপা য়াদবা মফমদা লৈবা পুখ্রি ওইরবদি পম্প শীজিন্নদুনা ঈশিং চিংথোকপীগদবনি, পুখ্রিগী লৈমায়দগী ঈশিং ফাওগৎলকপা ওইরবদি মতাই অমদা খরা লুনা তৌথবীদুনা ঈশিংশিং চুমথহন্দুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন চিংথোকপীদুনা মপুং ফানা কংহনগদবনি।

**২. নাপী শেংদোকপা :** ঈশিংদা তাওদুনা লৈবা নাপীশিংদি ঈশিং লৈরিঙৈদা ফজনা শেংদোকপীগনি। লৈবাক্তা মরা তাদুনা হৌবা নাপী ওইরবদি ঈশিং থাদোকখ্রবা মতুংদা শেংদোকপীগনি। করিগুম্বা নাপীশিং অসি শেংদোক্ত্রবদি লৈবাক কংহনবা অমদি তৌবদা খুদোং চাদবা কয়া মায়োক্লগনি।

**৩. লৈবাক তৌবা :**

পুখ্রিগী লৈমায়না লৈক্রক চৎলকপা মতমদা পুখ্রি তৌবা য়ারে। করিগুম্বা কংহনবদা খুদোং চাদ্রবদি উ নৎত্রগা ৱানা পাক্তক তৌনা শেম্লগা থৌরিনা চিংদুনা লৈবাকশিং পুখ্রিগী মতাইদা চিংখৎপা য়াই।

**৪. পুখ্রিদগী কোৎখৎলকপা লৈবাকশিং মফম চানা শীজিন্নবা :**

পুখ্রিগী লৈমায়দগী কোৎথোরকপা লৈবাকশিং অসি লৈহাও য়াম্না লৈবা মরম্না পুখ্রিগী লৈপলদা হাপ্তুনা লৈপল ৱাংখৎহনবা অমদি নিংখায়বা মফমশিং মেনশিনবদা শীজিন্নবা য়াই অমদি মনা-মশিং অমদি মহৈ-মরোং থাদুনা ফজনা শীজিন্নবা য়াই। হায়রিবা মফম অসিদা থাবা পাম্বীশিং অসিগীদমক্তদি হার শীজিন্নদবা য়াই।

**৫. পাৎকুম্বা ঈশিং কংহনবদা খুদোংচাদবা মফমশিংদা পাঙথোকপা য়াবা থৌওংশিং :**

করিগুম্বা ঈশিং কংহনবদা খুদোংচাদবা অদুগা কংলবসু মতম কুইনা কংদবনা মরম ওইদুনা পুখ্রি শেমজিনবদা খুদোংচাদবা মফম ওইরবদি অচৌবা পম্প শীজিন্নদুনা কংহন্দুনা শেল য়াম্না চঙহন্দ্রবসু ঈশিং কংলকপা মতমদা পীক্তক তৌবা মফম কয়া খায়দোক্তুনা লৈপল তাখৎতুনা পুখ্রি মচা মচাগী মওংদা শেমদুনা ঈশিং চিথোক্লগা কংহনবা য়াই। করিগুম্বা মসিগী থৌওং অসিসু খুদোংচাদ্রবদি ঈশিং কংশিল্লকপা মতমদা পরি অমা চাউবা অদুগা মিটর অমা লূবা মফমদা ব্লিচিং পাওদর কিলোগ্রাম ২৫০ চাইবীদুনা মফমদুদা লৈরিবা জীব পূম্নমক হাৎতোকপীদুনা লৈহাও ফজনা লৈহনবা অমদি মহু চেনবা নুংশিৎশিং পাইথোকহনখিবা অসি তঙাইফদবনি।

**৬. পুখ্রিগী লৈপল শেমজিনবা :**

হৌজিক লৈনরিবা পুখ্রি অয়াম্বগী লৈপল নেম্মী। মরম অদুনা নোংজু পন্থাদা অকোয়বগী ঈশিং পাশিল্লক্তুনা ঙা চৎথোকখিবা, পামদবা ঙাশিং চঙশিল্লকপা অমদি ঙা শিবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নে। অকোয়বদগী চঙলক্লিবা ঈশিংশিং অদু তীল হীদাক, নাপী হীদাক্লচিংবা কয়া য়াওরকপা য়াবগী খুদোংচাদবা কয়াসু থেংনগনি। মসিদসু নত্তনা পুখ্রিগী লৈপলশিং উচি, ঙাপ্রুম অমদি ৱাইখুনচিংবনা মকোল শাজিন্দুনা ঈশিং ফাওজিল্লকপনচিংবা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লগনি। নোং কন্না চুবা মতমদা লৈপলগী লৈপাক পুখ্রিদা চেন্থখিবা অমদি লৈরাই নীংখাইবনচিংবা কয়াসু থেংনগনি। মরম অদুনা লৈপলদা নাপী হৌবসু কান্নে অমদি ঈশিংগা লৈরাইগা তাইনবা মফমশিংদা কবোকংগুম্বা খরা হৌবসু কান্নে। মরমদি ঈশিং লেংবা মতমদা লৈরাই চাশিনবদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

মথক্তা পনখ্রিবা মরমশিং অসি লৈবনা মরম ওইদুনা পুখ্রিগী লৈপলশিং শেমজিনবা অসি তঙাইফদবা অমনি। হৌজিক লৈনরিবা পুখ্রিগী লৈপলশিং অসি অয়াম্বনা নেম্মী অমদি পীকই। লৈপল অসি ঈশিংগী ঈমাইদগী য়ামদ্রবদা মিটর অমা ৱাংহনগদবনি। লৈপল শেম্বীবা মতমদা লৈপলগী মথক থংবা শরুক্তু য়ামদ্রবদা মিটর অমগা মখায় পাকহনগদবনি অমদি লৈপলগী মখাদনা য়ামদ্রবদা মিটর অহুম পাকহনগদবনি হায়বদি ২:১গী চাংদা ঙমহনগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা লৈপলগী মখা থংবা শরুক্কী অপাকপসি মিটর অনী ওইবা মতমদা লৈপলগী অৱাংবসি মিটর অমা ওইগদবনি। ঈশিং থাদোক থাজিন তৌবা য়ানবগী খুদোংচাবা লৈননবা ঈথোং হাপ্পীগদবনি।

পুখ্রিগী মখা থংবা লৈমাইদগী লৌথোরকপা লৈবাকশিং অসি লৌউ-শিংউবা অমদি মনা-মশিং থাবদা শীজিন্নবা মতমদা য়াম্না লৈহাও লৈবা পোৎশক অমনি। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা লৈবাকশিংসি পুখ্রিগী লৈপলদা হাপ্লবদি পুখ্রিদা অমুক তাশিল্লক্তুনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনবা য়াই। মরম অদুনা করিগুম্বা পুখ্রিগী লৈপল মথক্তা হাপ্পীবা তারবদি পাম্বী কয়া থাবীদুনা ঈশিংনা চেন্থখিদনবা হোৎনবীয়ু। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।